ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁ, ꯃꯦ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯵꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশ, মে ২২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৫৪শুবা মশীং

# ইগজিট পোলনা পীরিবা রিপোর্ট

## করম্বা পার্টিনা লৈঙাক পায়গদগে হায়বা হয়েং খঙলগনি

তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকপা লোক সভাগী মীখল লোইখ্রবা মতুংদা ফোঙলকপা তোঙান-তোঙানবা ইগজিট পোলগী রিপোর্টতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অমুক হল্লকখিগনি হায়না ফোঙদোক্লি। সী ভোটরগী ইগজিট পোলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) না লোক সভাগী অপূনবা সীট ৫৪৫ গী মনুংদা সীট ২৮৭ অমসুং কোংগ্রেসনা লুচিংবা এলাইয়ন্সনা সীট ১২৮ ফংগনি হায়না ফোঙদোক্লি। টাইমস নাউ অমদি ভি এম আরনা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা ইগজিট পোল অমগী রিপোর্টতদি এন দি এনা সীট ৩০৬ ফংগনি হায়রি। ইন্দিয়া টুদে-এক্সিস, সী এন এন-ন্যুজ ১৮- আই পি এস ও এস, ন্যুজ নেসন অমদি জন কি বাটনা পাঙথোকপা তোঙান-তোঙানবা ওপিনিয়ন পোলদসু এন দি এনা মায় পাকপা য়াই হায়বা ৱাফম থল্লি। লৈঙাক পায়নবগীদমক পার্টি নৎত্রগা এলাইয়ন্স অমনা য়ামদ্রবদা লোক সভাগী সীট ২৭২ ফংবা মথৌ তাই। টুদেজ চনক্যাগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি হন্দক্কী মীখলদা এন দি এনা সীট ৩৫০ ফংলগা কোংগ্রেসনা সীট ১০০ ফংগনি হায়না ফোঙদোক্লি। এন দি টি ভিগী রিপোর্টনা হায়, এন দি এগী সীট ২৯২, কোংগ্রেসকী ১২৭ অমসুং অতৈ পার্টিশিংগী সীট ১২৩ ফংগনি। ইন্দিয়া টুদেগী ইগজিট পোলদদি মে ২৩ দা ফল লাউথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা এন দি এনা সীট ৩৩৯ দগী ৩৬৫ ফাওবা, কোংগ্রেসনা সীট ৭৭ তগী ১০৮ ফাওবা অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ৬৯ দগী ৯৫ ফাওবা ফংগনি হায়রি। ন্যুজ ১৮ গী রিপোর্টতা এন দি এনা মীখল অসিদা সীট ৩৩৬, কোংগ্রেসনা ৮২ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ১২৪ ফংগনি হায়না ফোঙদোক্লি। এ বি পিগী রিপোর্ট মতুংইন্না মীখল অসিদা এন দি এনা সীট ২৬৭, কোংগ্রেসনা ১২৭ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ১৪৮ ফংগনি হায়না ফোঙদোক্লি। টাইমস নাউ- ভি এম আরগী ইগজিট পোলদা লোক সভাগী অপূনবা সীট ৫৪৫ গী মনুংদা এন দি এনা ৩০৬, কোংগ্রেসনা ১৩২ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ১০৪ ফংগনি হায়রি।

রিপব্লিক- দবল ইগজিটকী মতুংইন্না মীখল অসিদা এন দি এনা সীট ৩০৫, কোংগ্রেসনা ১২৪ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ১৪৪ ফংগনি হায়না ফোঙদোক্লি। ন্যুজ নেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি মে ২৩ দা ফল লাউথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা সীট ২৮২ দগী ২৯০ ফাওবা, কোংগ্রেসনা সীট ১১৮ দগী ১২৬ ফাওবা অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ১৩০ দগী ১৩৮ ফাওবা ফংগনি হায়রি। ন্যুজ এক্স- নেতাগী রিপোর্টনা হায়, হন্দক্কী মীখলদা এন দি এনা সীট ২৪২, কোংগ্রেসনা ১৬৪ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ১৩৭ ফংগনি। সদরসনগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি এন দি এগী অপূনবা সীট ৩১৩, কোংগ্রেসকী ১২১ অমসুং অতৈ পার্টিশিংগী সীট ১০৯ ফংগনি হায়রি। রিপব্লিক টি ভি- সী ভোটরগী রিপোর্ট মতুংইন্না মীখল অসিদা এন দি এগী সীট ২৮৭, কোংগ্রেসকী ১২৮ অমসুং অতৈ পার্টিশিংগী সীট ১২৭ ফংলবা য়াই। তোঙান তোঙানবা ইগজিট পোলগী রিপোর্ট অসিনা চুম্বা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক অমুক হল্লক্লগনি হায়না থাজনরি। তোঙান তোঙানবা মফমদা মীয়াম্না ভোট থাদরুরগা পোল্লিং ষ্টেসনদগী হেক থোরকপদা মোত লৌরবা মতুংদা ফোঙলকপা ইগজিট পোলগী রিপোর্টনা হায়, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী অপূনবা সীট ২৫ গী মনুংদা এন দি এনা সীট ১৩ ফংলগা কোংগ্রেস অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ৬/৬ ফংবা য়াই। মণিপুরগী ওইনদি ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা সীট অমমম ফংবা য়াই হায়না তোঙান তোঙানবা ইগজিট পোলগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। মতম শাংনা লেফ্ট ফ্রন্টনা খুদুম চন্দুনা লৈরক্লবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চাউনা অহোংবা অমা উবা ফংগদৌরি। ইন্দিয়া ন্যুজ- পোলষ্টারগী ইগজিট পোলনা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অপূনবা লোক সভা সীট ৪২ গী মনুংদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা ২৬, কোংগ্রেসনা ২ অমসুং বি জে পিনা ১৪ ফংলগা লেফ্ট ফ্রন্টনা সীট অমা ফাওবা ফংদবা য়ানা লৈরে। মতৌ অসুম্না ষ্টেট অয়াম্বদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা সীট মশিং য়াম্না ফংগনি হায়না তোঙান তোঙানবা ইগজিট পোলশিংদা ফোঙদোক্লবসু খা-থংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা এন দি এগী ফীভম শোকচিল্লকপা য়াই হায়রি। তোঙান তোঙানবা নেসনল অমদি রিজনল টেলিভিজন চেনেলশিংনা অতৈ এজেন্সী খরগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা ওপিনিয়ন পোলদা বি জে পিনা টামিল নাদু, কেরলা, অ ন্ধ্রা প্রদেশ অমদি তেলঙ্গনাদা সীট মশিং য়াম্না ফংবা ঙম্লোই হায়রি। বি জে পিবু নোর্থে ইন্দিয়া খক্তগী খনবা পার্টিনি হায়না লৌবা মরম্না খা থংবা ষ্টেটশিংগী মীওই অয়াম্বনা পার্টি অসিদা ভোট পীরক্কদবা মান্দে হায়নসু ইগজিট পোলগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি তোঙান তোঙানবা ইগজিট পোলশিংগী রিপোর্ট কদায় ফাওবা চুমগদগে হায়বদুনি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী লোক সভা মীখলদা এজেন্সী অমত্তনা এন দি এগী সীট ৩০০ য়ৌগনি হায়না ইগজিট পোলগী রিপোর্টতা ফোঙদোকখিদ্রবসু মীখল অদুদা এন দি এগী সীট ৩৩৬ ফংখি। হন্দকসু তোঙান তোঙানবা ইগজিট পোলশিংগী রিপোর্ট চপ চানা চুমগনি হায়বা কনামত্তনা হায়বা ঙমদ্রি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মে ২৩ দা চপ চাবা অমা শোয়দনা খঙনরগনি।

### ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

## পোজিসন লৈশিন্নবগী লমজেল

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

বোসেম অমসুং কোসেম অনীনা ক্লাস টেন-টুয়েল্ভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং অমসুং খুন্নাইগীদমক্তা লৌরিবা থৌদাংশিং শিংথানীংঙাইনি। মীয়াম্নসু ঙাকপী-শেনবীগদবনি। খ্বাইদগী চাউরবা এদ্যুকেসনগী ইন্দষ্ট্রিসিদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদি মালেমগী অফবা লমজেল কয়াদা শোত্থহৌদনবা জাতিগী লন ওইরিবা হ্যুমেন রিছোর্সপু য়োকখৎপদা হিদান্নরি। হীরমসিদা মণিপুরগীসু গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী মথক্তা প্রাইভেট স্কুল কয়ানা মতেং পাংশিন্দুনা পূন্না লৌমিন্নরিবা থৌদাংশিং য়েংলুরগা থাগৎনফম থোকই।

ইম্ফাল সিটি অমসুং অকোয়বদা প্রাইভেটকী হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়াম্না লৈরি। ওজাগী শিনফমদা লৈবিরিবশিংনা টেক্নোলোজি চাওখৎলকপনা পীরিবা কান্নবশিং শীজিন্নবীরগা মগুন লৈবা শিক্ষাবু ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ফংহনবীদুনা মীরোল কয়া-কয়াগী থৌদাং লৌবা ঙম্বা মহৈরোয় শেমগৎচবগী লমজেলদুনি হৌজিক্কী মীয়াম্না পাম্নরিবসি। অদুবু লমজেলসিদগী নাথৈদুনা মমল য়াম্লবা লনগৈ ওইরিবা মহৈরোয়গী খুন্নাই অমসুং মীয়াম্বু চহী কয়া লান্না লমজিংবীখিদুনা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা মাঙহনবদা লমজেল তান্নরি। ফজরবা স্কুল বিল্ডিং কয়াগী মরুমদা অফবা প্রাইভেট স্কুলনি হায়বীনবগীদমক্তা বোসেমনা লৌরিবা ক্লাস টেন এগজাম কয়াদা ১-২৫গী মনুং চনবা পোজিসন হোল্ডর ৫০/৬০ রোমসিবু পৈশা পীরগা লৈশিন্নদুনা মশা মশাগী স্কুলদা তমহনহৌবনা হেন্না মরুওইবা স্কুল লীংখৎলুবগী পান্দম ওইনরে। ওজাশিংনা গ্রুপ ৫/৬ শেল্লগা লুপা ক্রোর ১/২ পায়দুনা চহী খুদিংগী ক্লাস টেনগী ফল হেক লাউথোকখিবগা পোজিসন হোল্ডরশিংগী ময়ূম ময়ূমদা চেনশিন্দুনা হান্না ফাজি লহৌবা তান্নরি। পৈশা চবুনগা লোয়ননা পোজিসন হোল্ডরশিংগী মমা-মপানচিংবদা খূৎ লোন্নদুনা হায়জ-নোঞ্জরি। পৈশা য়াম্না য়েনবা ঙম্বা ইলেক্সনগী কেন্দিদেটতা ভোট পীশিনবগুম পৈশা খ্বাইদগী য়াম্না পীরকপা প্রাইভেট স্কুলদা পোজিসন খরদি চঙখিবা য়াওবা উনখ্রে। পোজিসন হোল্ডর মশীং য়াম্না লৈহৌবা ঙম্লগদি প্রাইভেট স্কুল অদুবু অফবনি হায়না লৌনরি। মসিদা মীয়াম্না থল্লক্লিবা ৱাহংশিংদি :- (১) পৈশানা লৈশিনখিবা ক্লাস টেনগী পোজিসন হোল্ডর :- (ক) পোজিসন হোল্ডরশিংগী মরক্তা য়াওখিবা চহী খরগী ক্লাস টেনগী ফর্ষ্ট পোজিসনশিং ক্লাস টুয়েল্বতা রেঙ্ক ২০গী মনুংদা য়াওবা ঙমখিদবসি স্কুলশিংদু ফবা হেনমনখিবনরা? (খ) লোয়নমক ক্লাস টুয়েল্বতগী রেঙ্ক ২০গী মনুংদা চলহনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো? (গ) মশীং ১৬কী মনুংদা ৩, ১৭গী মনুংদা ৬ খক্লচিংবদং ক্লাস টুয়েল্বতা রেঙ্ক চল্লকখিবসিনা স্কুলদুদা তম্লুবদগী পোজিসনশিং মাঙহন্দে হায়বা য়াগদ্রা? (ঘ) ময়ামদুগী মরক্তগী খরনবু ক্লাস টুয়েল্লবতা পোজিসন য়াওরক্লদি অপঙবা/খঙজদবা মীয়াম্না অফবা স্কুল মানজখিনি হায়বগী ৱাখল য়ানীংব্রা? (ঙ) অপূনবা মশিংগী মনুংদগী ক্লাস টুয়েল্বতা রেঙ্ক চনবা ঙমহৌদনা মাঙখিবা মশীংনা রেঙ্ক চনবা ঙমখিবা মশীংদগী হেল্লিবসি ক্লাস টেন তম্লকখিবা হান্নগী স্কুলদুদা ওইনা তায়নফম থোকপ্রা? (২) ক্লাস টুয়েল্বতা পোজিসন পুথোকপা স্কুল মালহনবশিংনা ক্লাস টেনগী মতমদা সেকেন্দ/থর্দ দিভিজনদা পাস তৌজরকখিবা কনাগী মচা-মশুবু ক্লাস টুয়েল্বতা রেঙ্ক চলহনবিখ্রে? (৩) পোজিসন লৈরিবা স্কুলশিংনা য়ৌবা ঙমদ্রিবা চাদা ১০০ পাস তৌহল্লিবা, ক্লাস টেনগী ফর্ষ্ট, সেকেন্দ, থর্দ দিভিজনরশিংবু ক্লাস টুয়েল্বতা রেঙ্ক চলহন্নবা হোৎনরিবা, লেট্টর মার্ক ফংবা ১৫০গী মথক্তা অমসুং ইন্সপ্যার এৱার্দশিং পুথোক্লিবা স্কুল কয়াবুদি ক্লাস টেনগী পোজিসন লৈশিল্লগা ক্লাস টুয়েল্বতা পোজিসন পুথোকপা মালহনবী লমজেলদা য়াওদবগীদমক্তা ফত্তবা স্কুলশিংনি খনবসি অচুম্বরা? (৪) ক্লাস টুয়েল্ব এগজামদা পোজিসন পৈশানা লৈরুবা স্কুল মশেল লোৎনা করিগী এগজাম সেন্টর একচেঞ্জ তৌনরম্লিবনো? (৫) ক্লাস টেনগী পোজিসন লৈশিন্দনা ক্লাস টুয়েল্বতা পোজিসন অমত্তা ওইরবসু পুথোকখিবা প্রাইভেট স্কুল মণিপুরদা কয়া লৈবগে?

পূম্নমকসি মীয়াম্না হৌজিক্তি খঙনরক্তুনা স্কুল কয়াদা থল্লকখিবা থাজরম্বশিং মাঙখ্রে। মসি কন্নবগীদমক্তা এগজাম সেন্টর খরদা এগজাম হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ নৎত্রগনা পুংশিং ৫/৬ লোমগী মমাঙদা ক্লাস টুয়েল্বকী ক্বেসনশিং মোবাইলগী মতেংনা পীথোক পীশিন তৌনরি। কোসেমসি য়াম্না ৱারমগনি। ওইরক্লিবশিংসি এগজাম অমসুং মার্ক অনীসিখক্তগী মতেংনা মহৈরোয়শিংগী রেঙ্ক খন্দোকপদগীনি। মসি চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা চৎনদ্রে। মহৈরোয়গী কম্পিটেন্স, ক্রিএটিভিটি, টিম ৱর্ক, মেন্টেল অমসুং ফিজিকেল হেলথনচিংবা য়েংবগা ইরোয়ননা মতিক চাবা ইভাল্যুএসনগী টুল শীজিন্নরগা রেঙ্ক খন্দোকপীরবদি ফগনি।

বোসেম্না লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষাগী ফল লাউথোকখ্রে। ক্লাস টেনগী পোজিসনশিং, মখোয়গী তুং ইনবা কয়াবু কনবীহৌনবা পোজিসন লৈবা লাক্লিবা স্কুলশিংগী টিচিং ষ্টাফ অমসুং ফাউন্দর পূম্নমক মখোয়দুনা ক্লাস টেন, টুয়েল্ব, বি এস সী, এম এস সী, এম ফিলনচিংবা তম্লিঙৈদা কয়া-কয়াশুবা পোজিসনশিংদা য়াওনরকখিবগে হান্না খঙহৌনবা ওরিজিনেল সার্টিফিকেট, মার্কসিটনচিংবা উৎহনসি। গভর্ণমেন্টকী স্কুলসু ফগৎনবা মিনিষ্টর/এম এল এগী মচা-মশুশিং হন্না মিং চনশিনসি। পৈশাগী চলাক্লা অফবা স্কুল মালহনবা থিংহৌরসি।

*অদোমগী- ডা. এম দিনেন্দ্র, নাচৌ অৱাং লৈকায়।*

# হয়েংদি শোয়দনা খঙনরনি

চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিঙোম্বা

ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অমা ইন্দিয়াদা লৈঙাক্লকপা চহী মঙা মপূং ফারকপগা লোয়ননা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক মীহুৎ খনবগী থবক পূমলোই লোইশিনখিদুনা হয়েং মে ২৩ অসিদা ইন্দিয়া পূম্নমক্তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী রিজল্ট লাউথোক্লগনি। হয়েং নুমিৎয়ুংবা মমাঙ ফাওবদা কনানা লৈঙাক পায়রকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরবগে হায়বসি ইরায়-লায়না খঙনরগনি । মদুগীদমক পার্টি অয়াম্বনা শেম শাদুনা লৈনখ্রে।

হৌখিবা চহী মঙাসিদা পাঙথোকখিবা থবক্কী মরমদা শিংথারদুনা অমদি লাক্কদবা চহী মঙা অসিদা পায়খৎকদবা থবক অমদি মদুগী ভিজন কয়াশিং অদু মীয়ামদা থমদুনা লৈঙাক পায়রম্বা বি জে পিনা কন্না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনখি। নাকল অমরোমদা ওপোজিসন ওইনা লৈহৌরবা কোংগ্রেসনা মহাক্কী চুংশিন্নবা মপাং থিদুনা লৈঙাকপু মায়থীবা পীনবা অকনবা থৌরাং লৌখৎপা উনখি। ইন্দিয়াগী লৈরিবা রিজনেল পার্টিশিংগী অপূনবা মশক অমা লাকপা য়ানবগী লম্বী ফনা য়াম্না য়াৎনরবসু চপ মান্নবা লিংজেল উত্তুনা অপূনবা শক্তম অদুমদি মীখল মমাঙদা উবা ফংখিদে। য়ানবা খরা অমনা পুনশিল্লবসু ওপোজিসনদা লৈরিবা পূম্নমক্লা হেক্তা য়ানবা হায়বদুদি ওইখিদে। মদুগী মরম চাম্মা-চাম্মা লৈরমগনি। মদুগী মরমশিং অদুগী ওইথোকপা য়াবা ফীভম অদু হয়েংদগী হৌরগা অতেনবা নুমিৎ নীনি হুমনিগী মনুংদা অমা শোয়দনা লাক্কনি থাজনরি। বি জে পি লৈঙাকপু অরোইবী থাদুনা কুম চূপ্পা হুন্দুনা লাকপা ওপোজিসন হায়গেরা অচৌবা রিজনেল পার্টি হায়গেরা অমনা থোক হেক্তা তোংশিন্দুনা মশাগী খুদোংচাবা ফংলোইদবদদি কৈসু তৌরক্লোই হায়বসি পোলিটিক্স নৈনবশিংনা অদুম খঙনৈ।

পোলিটিক্স হায়বসিদি ওন্থোকপা মখল অমনি। মসিদি মচিন থিবসু, মালহনবসু য়াম্না হৈগদবনি, ওইদবা ঙাওবসু চপ চানা হৈগদবনি। অমরোমদা মী অমনা হায়রকপা ৱাফম অমা অতোপ্পা মায়কৈ অমা থিদুনা মদুবু চপ চানা মায়থীবা পীনবা খনবা হায়বসিদতা মথৌ ওইবা ময়াম অমা পার্টি খুদিংমক্তা লৈরিবনি। চুমগেরা লানগেরা ৱাফম অমা থোরকপদা ৱাফমদুগী মায়োক্তা হায়বা হায়বসি অদুম চৎনদুনা লাকপনি। মসিদি পোলিটিক্সকী ত্রেদিসননি। নেসনল পোলিটিক্সতা য়ূম্ফম ওইদুনা লৈরিবা পার্টিশিংগা লোকল পার্টি হায়গেরা, রিজনেল পার্টি হায়গেরা মখোয়গা পান্দম অমদি মীৎয়েং খেন্নবা হায়বসিদি হায়নদ্রসু অদুম চুমদুনা লৈরগদবনি। অনী অসি কৈদৌনুংদা পূনশিন্দুনা থম্বা য়ারোই।

য়ূম্ফম খেন্নবা মফমদা শাবা য়ূমগুম্বনি। পূম্নমকশিং অসিনা নাকল অমদা থৈদুনা ঙাইহাক থল্লগা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি নুমিৎ খরনিসিগী মতুংদা কনানা লুচিংবা করম্বা লৈঙাক অমা লাক্কদগে হায়বা অসিনি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি অমুক হল্লকপা য়াবগী চাউনা থাজবা অদুম লৈফম থোকই। শোয়দনা লৈঙাক অসি মতম খরদা ওইরসু মখা চত্থখিবা য়াই। তুং কোয়বা ঙম্বা ঙমদবা হায়বদুনা অমনি। হায়রিবা ৱাফম অসি লৈবাক অসিগী পোলিটিক্স নৈনবশিংনা ইফোং ফোংনা হায়দুনা লৈরবা ৱানি। বি জে পিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা ফংখিবা মশীং অদু য়ৌনা ফংবা ঙমদ্রবসু মখোয়না মাঙজিন থানা চৎকনি হায়বসিমদি তশেংনা চুম্বা য়াই। রিজনেল অমদি লোকল পার্টি লোয়ননা নেসনল পার্টি ওইনা লৈরিবা ওপোজিসন কাঙবুনা চপ মান্ননা পূনশিন্দুনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নরবদি বি জে পিগী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বদি ঙমদে।

মীখল অসিগী হাক্তক্তা মীওই কয়া অমা খৎন-চৈনবা থোকখি। য়েংথিনবা কয়া অমগী ময়োল চোংহনখি। লুনা তিন্নরম্বা কয়া য়েক্লবা ওইনরকখিবগী ৱারী কয়া লৈখ্রে। মীখলদি লোইখ্রে, নুংঙাইনদবদুদি মখা তানা চত্থহৌখিগনি। মসি লম অমতগী ৱা নত্তে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা থোক্লিবনি। মীশি-মীনা কয়া অমসু য়াওনরিবনি। মণিপুরদা হৌখি-হৌখিবা লোক সভাগী মীখলশিংদগী হন্দক্কী অসিনা খরা হেন্না লুশিন্না অমদি চেকশিন্না মীখল পাঙথোকখি। মণিপুরগী তম্পাক লমদসু মীখলদা নত্তবা পাম্বৈ কয়া চত্থখি হায়বগী পাউ ময়াম অমা লৈনিখ। মমাঙদা অমুক্তা তৌদবা মওংদা তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা মীখল পাঙথোক্লখি হায়বসিদি লোইনমক্লা অদুম হায়নরবা ৱাফমনি। মসি মীখলদা মীয়াম্না হেন্না থৱায় য়াওনরকপগী ৱামক্তি নত্তে। অশেংবা মীখল অমদা মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাং অদু চপ চানা লৌরকপ্রা হায়বদুসু নত্তে। মণিপুরদদি মীখলদা শেল য়েনবা হায়বসি য়াম্না কন্না চৎনৈ। হন্দকসু অদুম চত্থখি। শেল য়াম্না পীবা ঙম্বদুনা মীখলদা মায় পাকই হায়বসিসু অদুম চুমদুনা লাকই। মীখলদা মায় পাল্লক্লবা পূম্নমক লৈবাক মীয়াম্না হেক্তা য়ারবা মীরা হায়বদুমদি খুম্বা অদুম লুখিনি। ৱাহং অসি তোইনা হংবা মথৌ তাই। মদুগী অশেংবা পাউখুম লাকপা মতমদনি অচুম্বা মীখল লাক্কদৌরিবা। মণিপুরদা লোক সভাগী সিট অসি অনীনি। অমনা আউটর অমনা ইন্নর হায়না কৌই। আউটরগী মীখলসু মমাঙ-মমাঙদা চীংগী হায়নখিবা অদুগুম্না হন্দকসু থোইনা অহোংবা লৈখিদে হায়রি। ইন্নরগী মীখলসু অদু মঙাই, তানখিবা পাউদু শেমজিন শাজিনবা কয়া য়াম্না য়াওবগে য়াওদবগে হায়বা অসিসু অদুম খঙনবা ৱানি। মতিক চাবা মী, মতিক চাদবা মী হায়বসি মণিপুরদদি মশানা নৎত্রসু পার্টিনা নৎত্রগা মাগীদমকনি হায়দুনা শেল য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা, মতুংদা মীচং-মীথোক ময়াম্না লেপ্পা ঙম্বা অদুনা হেক্তা ওই। লৈবাক মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইবা হায়বসি মীয়ামগী থবক্তা মাঙজিন থাগদবনি। অচৌ অশাং ওইনা (ব্যুরোক্রেট) হৌরকপশিং অমদি শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুনা মীবু পাউখোন থাবগী হৈনবী লৈবশিংনা মীহুৎ ওইনা লাকপদগী মীয়ামগা ইশম শম্নবা ঙমদে হায়বসিদি মাঙদা লৈখ্রবশিংনা খুদম চাংদম ওইদুনা অদুম লৈরি। হন্দক লাক্কদৌরিবা অসিসু কোল্লিং বেল খিংদুনা মী কৌশিনবগী হৈনবী, মশাগী থবক খুদিংমক মী নেক্লগা, মী কৌরগা তৌহনবগী হৈনবী লৈবা পূম্নমকশিং অদুনা তাঙ্কক অমনি, মদুগী মতম লোইখ্রে খল্লগা মীয়ামগা শম্নবা, মীয়ামগী ৱা তারগা মশাগী হৈনীংবা অমদি মথৌনা হাপ্পা ঙম্বা ওইরকপা ওইসনু। মাগী ৱা তাদবা, ঐনা লোইনা খঙই হায়বা মীশক অদুদি মীয়ামগা শম্নবা ঙমগনি হায়বা থাজদে। মসি মীখল মমাঙদা মীয়াম্না মুন্না খনগদবনি, অদুবু মদু মণিপুরদা চৎনরিবা ইলেক্সনগী মওং মতৌ অসিনদি ওইথোকখিদ্রে। মদুম্না খন্নবা মতমসু লাকখিবদি য়াই, হৌজিকমক্কীদি ওইদ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ৱারীদা কানি হায়বা মী অহুম হেন্না লৈ। কাগদবদি অমখক্তনি। কনানা অশেংবা ওইনা কাগদগে হায়বা অদুদি খঙদ্রি। হয়েংগী নুমিৎ তঙ্খাই চল্লকপা মতমদদি চপ চানা খঙলগনি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো খল্লক্কদৌরিবা মীশক অদুনা লৈবাক অসিগী অমদি ষ্টেট অসিগী পোলিসি প্রোগ্রাম খুদিংমক্তা মাঙজিন থানা দিবেট তৌদুনা অফবা পুরকপা ঙম্বা ওইসনু। লোয়ননা অফবা পার্লিয়ামেন্টরিরয়ন অমা ওইদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম পূম্নমক্লা শক্লা শোন্নবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ওইনসু হেন্না ফরক্কদবা থবক খুদিংমক্তা লমজিংবা ওইরকসনু।

# আই আই টি বোম্বেগী ফিদা তুশিনবা য়াবা সুপরকেপাসিটর

সাইন্সকী খোঙচৎ
কুঞ্জো নাওরেম


মিহির ঝানা ফিদা তুশিল্লবা সুপরকেপাসিটর উৎপা

বেট্টরিগুম্না ইলেক্ট্রিকেল এনর্জি নৎত্রগা চার্জ তুংশিন্দুনা থম্বা য়াবা খূৎলায়শিংগী মনুংদা কেপাসিটর হায়বসিসু অমনি। কুমজা ১৭৪৫গী ওক্টোবর থাদা জর্মনিগী 'ইৱাল্ড জর্জ ভোন ক্লৈষ্ট' না কেপাসিটর পুথোকখি। মহাক্লা ভোলটেজ ৱাংবা ইলেক্ট্রোষ্টেটিক জেনেরেটর অমদা শম্নবা তরা অমা গ্লাস জার অমদা য়াওবা ঈশিংদা লুপশিল্লগা মখূৎনা জারদুগী মনিংদা পায়রম্মী। অসুম্না শেন্নবা খূৎলায়সিনা ইলেক্ট্রিক এনর্জি তুংশিনবা ঙম্মী হায়বসি মহাক্লা খঙলকখি। মহাক্কী মখূৎ অমসুং ঈশিংদুনা কন্দক্টর ওইনা অদুগা গ্লাস জারদুনা দাইইলেক্ট্রিক ওইনা মথৌ তৌরম্মী। চহীসিমক্তুদা দটচকী ফিজিসিষ্ট 'পিটর ভান মুসচেনব্রোক' না ক্লৈষ্টকীসিগা মান্নবা কেপাসিটর অমা পুথোরকখি। মহাক্কী কেপাসিটরসিগী মমিং য়ুনিভর্সিটি ওফ লেয়দেনদগী লৌরগা 'লেয়দেন জার' হায়না খঙনখি। মসিগী মতুংদা 'দানিয়েল গ্রালাথ' না জার ময়াম অমা খম্বাংননা শম্নগা ইলেক্ট্রিকেল এনর্জি হেন্না তুংশিনবা ঙমহনখি। হান্না খন্নরম্বদি ঈশিংসিনা ইলেক্ট্রিকেল এনর্জিসি তুংশিনবনি হায়বসিনি, অদুবু 'বেঞ্জামিন ফ্রাঙ্কলিন' না চার্জ তুংশিল্লিবসি ঈশিংদা নত্তে, গ্লাসতনি হায়বসি খঙলকখি।

ইলেক্ট্রিকেল এনর্জি তুংশিনবা ঙম্বা কেপাসিটরসি লম্ কয়াদা শীজিন্নৈ। কুমজা ১৯৩০গী মতমদা 'জোন অতানাসোফ' না কেপাসিটরসি অহানবা বাইনরি কম্প্যুটরশিংদা দিজিটেল মেমোরিগীদমক শীজিন্নখি। কেপাসিটরশিংনা দি সী করেন্টবু থিংলগা এ সী করেন্টবু ফাউদুনা চৎহনবা ঙম্মী। মসিগী মগুনসিবু শীজিন্নদুনা ইলেক্ট্রিক সর্কিটশিংগী তোঙান-তোঙানবা শরুকশিংবু খায়দোক্লহন্দুনা 'নোইস রিদক্সন' দা মতেং পাংহল্লি। কেপাসিটরশিংবু নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং ওনবা, গাড়ীদা য়াওরিবা থাউগী চাং তাকপনচিংবদা শীজিন্নৈ। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদসু কেপাসিটরশিং শীজিন্নৈ। 'দাইনামিক রেন্দম এসেস মেমোরি' গী খূৎলায়শিংদা কেপাসিটরবু 'বিটস' ওইনা বাইনরি ইনফোর্মেসনগী মহুৎ শিনবদা শীজিন্নৈ। কেপাসিটরদু চার্জ তৌবা মতমদা খূৎলায়সিনা ভেল্যু অমা পায় অদুগা দিসচার্জ তৌবা মতমদনা অতোপ্পা ভেল্যু অমা পায়। কেপাসিটরশিংসি ইন্দক্টরশিংগা পুল্লগা সর্কিটশিংবু অকক্লবা ফ্রিক্বেন্সিশিংদা 'ট্যুন' তৌহন্দুনা রেদিও, স্পিকর অমসুং এনালোগ ইক্বেলাইজরশিংদা শীজিন্নবা য়াই। কেপাসিটর মাইক্রোফোন কয়া হৌজিক শীজিন্নরি। কেপাসিটর অমগী কেপাসিটিসি য়াম্না ৱাংহল্লবদি মখোয়দুবু সুপরকেপাসিটর হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা সুপরকেপাসিটরশিংসিগী শীজিন্নফমসু য়াম্না লৈ। গাড়ী অমনা য়াঙনা থৌরম্বদগী ব্রেক ফাবা মতমদা, গাড়ীদুগী কাইনেটিক এনর্জিসি ফ্রিক্সন্না মরম ওইদুনা মৈশাদা ওন্থোরক্তুনা অরেম্বদা মাঙখি। অসিগুম্বা এনর্জিসিবু মাঙহন্দনা কান্নবা লম্দা শীজিন্ননবগীদমক, সুপরকেপাসিটরশিংদা তুংশিন্দুনা থম্বা য়াই। সুপরকেপাসিটর মচা-মচা শীজিন্নরগা 'ষ্টেটিক রেন্দম এসেস মেমোরি'গী বেকঅপ ওইনসু শীজিন্নৈ।

য়াম্না নুংঙাইরিবা ৱাফম অমদি ঐখোয়না মথৌ তারিবা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎশিংসি ঐখোয়না শেৎন-ইন্নরিবা ফি-রোলশিংদা হাপচিল্লকপা অসিনি। আই আই টি বোম্বেগী থিজিল্লোয়শিংনসু ফি মখল খুদিংমক্তা তুশিনবা য়াবা সুপরকেপাসিটর অমা পুথোক্লে হায়না 'এ সী এস এপ্লাইদ মেটরিএলস এন্দ ইন্টরফেসেস' তা ফোঙদোরকপসিমকসু চাউথোকচনীংঙাইনি। মখোয়গী সুপরকেপাসিটরসিনা পীবা ঙম্বা পৱারসি মাইক্রোৱাট্টতগীনা মিলিৱাট্ট ফাওবনি হায়রি। কেপাসিটর অমনা জি পি এসতা য়ূম্ফম ওইবা ট্রান্সমিটরশিং অমসুং এল ঈ দিশিং চল্লাইবা ঙম্মী হায়রি। সুপরকেপাসিটরসি পিয়াজোইলেক্ট্রিক এনর্জি জেনেরেটর অমগা পুনশিল্লবা মতুংদদি মরোমদোম মেন্টেনান্স তৌজবা ঙম্মী হায়না আই আই টি বোম্বেগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর চন্দ্রমৌলি সুব্রমনিয়ম্না ফোঙদোক্লি। ফিদা তুশিল্লবা তুংদা খূৎলায়সিনা অপিকপা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎশিংবুসু চার্জ তৌবদা শীজিন্নবা য়াই হায়না মহাক্লা মখা তারি।



কেপাসিটর অমগী শক্তম তাকপা লাইয়েক

মখোয়গী সুপরকেপাসিটরসিদা য়াওরিবা ইলেক্ট্রোদসি লশিংগী লংগা কার্বন নানোট্যুবশিংগা পূল্লগা শেম্বনি। কার্বন নানোট্যুবশিংসি সর্ফেক্টেন্ট (দিটরজেন্ট) শীজিন্নরগা ঈশিংদা দিস্পর্স তৌহল্লি। অসিগুম্বা নানোট্যুবশিংসিদা লশিংগী লংসি লুপশিল্লগা কার্বনগী য়াম্না পাবা মরোল অমনা কুপশিনহল্লি। মরোলসিনা করেন্ট ফাওরগা চেনবা ঙম্লমদবা লশিংগী লংশিংবু করেন্ট চৎপা ঙম্বা তরাশিং ওইনা মথৌ তৌহল্লগা ইলেক্ট্রোদ শেম্মী। ফুরিত্তা তুংশিনগদবা ওইবনিনা মহী ওইবা ইলেক্ট্রোলাইট শীজিন্নবদা খুদোং চাদবদগী থিজিল্লোয়শিংনা পোলি ভিনাইল অলকোহোল অমসুং পোটাসিয়ম হায়দ্রোক্সাইদপু চাং চানা য়ানশিন্নদুনা মাইক্রোমিটর ১৫০ খক্তমক থাবা মপং ওইবা ইলেক্ট্রোলাইটকী মরোল অমা শেল্লম্মী। মপং ওইবা ইলেক্ট্রোলাইটসি কার্বন নানোট্যুবশিংগা লোয়ননা ফৈনা অমসুং য়ুংনা ফিদা তুশিল্লি। অসুম্না তুশিল্লিবসিগী মশীং হেনগৎহল্লগা কেপাসিটরগী মশীং হেনগৎহন্দুনা এনর্জি তুংশিনবগী চাং হেনগৎহনবা য়াই। সেন্টিমিটর অমা পাকপা সেন্টিমিটর অমা শাংবা ইলেক্ট্রোলাইট অমদা কেপাসিটর চামদগী হেন্না হাপ্পা য়াই হায়রি। কার্বন নানোট্যুবশিংগী তরাশিং য়াওরবা ইলেক্ট্রোলাইটকী মরোলসি ঈশিং-নুংশিৎনচিংবা অকোয়বগী ফীভমশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক লামিনেসন তৌশিল্লি। লামিনেসন তৌবসিনা কেপাসিটরশিংগী মথৌদা অকায়বা পীদে অদুগা কোম্থোক-কোনশিনদসু অয়েৎপা পীদে। মপংগী মেট্রিক্স অমদা আইওনশিংনা চেনবদা মনীং তম্বা ঙমদে, অদুনা এনর্জি তুংশিনবগী চাং ৱাৎলি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবসি কোকহন্নবগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা আইওনশিং লেংবদা মতেং পাংহনবা ঙম্বা ঈশিং মনিলনা পোলিমর মেট্রিক্সতুগী ঈশিংগী চাং ৱাংহল্লি। অসুম্না কার্বন নানোট্যুব অমসুং ইলেক্ট্রোলাইটকী মরক্তা থোকপা ইন্টরেক্সন হেনগৎহন্নবগীদমক নানোট্যুবকী তরাবু এসিদ ত্রিটমেন্ট তৌই।

আই আই টি বোম্বেগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী মিহির কুমার ঝানা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না কেপাসিটর মাপন্দা তুংশিল্লিবা এনর্জিনা ভোল্ট ১.৮কী এল ঈ দি ঙালহনবা ঙম্মী হায়রি। অপিকপা এরিয়া অমদা য়াওরিবা কেপাসিটরগী মশীং হেনগৎহল্লগা এনর্জি হেন্না তুংশিনহন্দুনা অতৈ অতোপ্পা খূৎলায়শিংদসু শীজিন্নবা য়াগনি হায়না মহাক্লা মখা তারি। লামিনেট তৌরবা সুপরকেপাসিটরসিবু নূংথং অমনা হঞ্জিন-হঞ্জিন থাবা, থুপতোপ থুপচিন তৌবা অমসুং উতোংগুম্না কোনশিনবা, অশাবা ঈশিং হাপ্লবা ৱাশিং মেছিন্দা শুদোক-চামথোকপা, দিটরজেন্টগা থেংনবা অমসুং কন্না উংহনবা মতমদা কেপাসিটরগী মগুন্দা হন্থরকপা লৈতে হায়বসি চাংয়েং কয়াদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি। মসিগীসু মথক্তা ফিদা তুশিনবা য়াবা সুপরকেপাসিটরসি য়াঙবনিনা ফুরিৎ নৎত্রগা খোঙগ্রাও শেৎলিবা মীদুদা খুদোংচাদবসু লৈহন্দে হায়না ঝানা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।